# অঈং অশা খল কায়রকপা অমদি শা-ষণশিং

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী



**শা-ষণ** য়োকপনা তুং কোয়না অমদি লেংদনা শেন্দাল লম্বী অমা ওইহনবতা নত্তনা নোংমদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা প্রোটিন চাং য়াম্না য়াওবা খুদম ওইনা হায়রবদা শঙ্গোম, য়েরুম, শদোঙ অসিনচিংবা ময়াম অমা পীরি। শা-ষণগী পোত্থোকসি হান্নদি চাদা ৪.৮ ওইরম্বদগী হৌজিক্কা চাদা ৬.৬ ওইরক্লি। মসিনা তাকপদি শা-ষণগী পোত্থোকসি হেনগৎলক্লি অদুবু তুংদা গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা অহৈং অশাগী খল কায়রকপদগী শা-ষণগী পোত্থোক পুথোকপদসু অকায়বা কয়া অমা লাক্লি।

গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বসি মালেমগী অশাবা হেনগৎলকপবুনি। পৃথিবীনা নুমিৎতগী ইনর্জি লৌদুনা মালেমদা লৈরিবা জীব পানবা খুদিংমক লুম্না থল্লি। মসিদসু নত্তনা অহৈং অশা কায়দনা থম্নবা মালেম্নসু ইনর্জি খরা মালংদা পুথোরকপা মথৌ তাই। গ্যাস (গ্রীন হাওস গ্যাস) খরদি মালেমদা য়োমশিন দুনা সোলর রেদিএসন তৌদুনা চঙহল্লি অদুবু চঙলিবসি অমুক থোকহনবদি ঙমহন্দে মরম অসিনা গ্রীন হাওস গ্যাসসিনা য়াম্না লৈরগদি শাবগী চাংসু অসুম অসুম হেনগৎলক্লি। গ্রীন হাওস গ্যাস হায়রগা কার্বোন দাইওক্সাইদ, মীথেন, নাইট্রস ওক্সাইদ, ঈশিং মনিল, ক্লোরোফ্লুরোকায়রোন্নি। মসিদা য়াম্না মরু ওইরিবসি মীথেন, নাইট্রস ওক্সাইদ অমদি কার্বোন দাইওক্সাইদনি। গ্রীন হাওস গ্যাসসি খূৎশেমগী ওইবসু য়াই নৎত্রগা শাগোন্নরকপসু য়াই। গ্রীন হাওস গ্যাসতা য়াওরিবা ঈশিংগী মনিলসি শাগোন্নরকপনিনা মালেমগী শাবগী চাংসি খরা মখৈদি শেন্নরগা থম্বা ঙম্মী। গ্রীন হাওস গ্যাস য়াওদ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক নেমখিদুনা মীওইবা অমদি জীব পানবা খুদিংমক হীংবা ঙমদে অদুগা করিগুম্বা গ্রীন হাওস গ্যাসকী চাং ৱাংনা লৈখ্রগদি শাবগী চাংসি অসুক্কী মতিক ৱাংখিদুনা থক খা ওন্নবগুম অহৈং অশা নোংজু নুংশাগী চাং হোংলকপা কয়া অমা মায়োক্নগদৌরি।

খূৎশেমগী ওইবা গ্রীন হাওস গ্যাস পুথোকপদা শা-ষণনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মখোয়শিংদুদি -

(১) শা-ষণদা পীজরিবা শজীকশিং থাবদা হার ময়াম অমা চঙই। হায়রিবা হার অসি শেম্বদা ফোসিল ফিউয়েল ময়াম অমা চঙই। হায়রিবা ফোসিল ফিউয়েলসি শীজিন্নবা মতমদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংনা পুথোরকই। অসুম্না চাংচত্তা চহী অমদা মিলিয়ন টোন ৪০ গী কার্বোন দাইওক্সাইদ পুথোকই।

(২) শা-ষণনা চান্নবা শজীক থানবা অমদি মখোয়না লৈনবা উমং কোকথোকপা নৎত্রগা মৈ থাবদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না ৱাংনা পুথোরকই।

(৩) চখাও মরি পানবা শা-ষণসি খুদম ওইনা হায়রবদা ষণ, ইরোই, হামেং, য়াও অসিনচিংবসিনা চাশিল্লিবা মচীঞ্জাকশিংসি মথং মনাও নাইনা তুম্নবা হোৎনবদা মাইক্রোক্সিল ফর্মেনটেসন তৌদুনা মীথেন গ্যাস পুথোকই। হায়রিবা মীথেন গ্যাস অসি শা ষণনা চারিবা মচীঞ্জাক অমদি মখোয়না তুম্নবা হোৎনরিবা প্রোসেস অদুগী মতুং ইল্লি। চখাও মরী পানবা শা-ষণদি শজীক্লা নম্না চাই অমদি মখোয়না চাশিনখ্রিবা খুদিংমক অমুক ঙাইহাক লৈরগা ওথোক্লগা অমুক শগুপ শাই। হায়রিবা মতমসিদসু মীথেন গ্যাস পুথোক্লকই। শা-ষণনা চারিবা মচীঞ্জাক্কী ক্বালিটি অমদি ক্বান্টিটিদসু মীথেন গ্যাস পুথোকপগী মখা পোল্লি।

(৪) শা-ষণগী ষন্থি ষণয়ুংশিংসি নুংশিৎ অমসুং ওক্সিজেন য়াওদনা পুমথহন্নবা হোৎনবদা মীথেন গ্যাস পুথোকই। মীথেন গ্যাস পুথোক্নবা হোৎনবদা চঙলিবা বেক্টেরিয়াসি ষন্থি ষণয়ুংগী টেম্পরেচর অমদি মোইচরগী মখা পোল্লি। মসিদসু নত্তনা শা-ষণনা চারিবা চীঞ্জাক অমদি মখোয়গী দাইজেষ্টিব সিষ্টেমগী মখা পোল্লি।

শা-ষণ লোইবদগী পুথোরক্লিবা গ্রীন হাওস গ্যাসসি চাদা ২৮ নি। মসিগী মনুংদা কার্বোন দাইওক্সাইদনা চাদা ৯, মীথেননা চাদা ৩৭ অমদি নাইট্রস ওক্সাইদনা চাদা ৬৫ নি। ইন্দিয়াদা মীথেন পুথোকপগী চাংসি চাদা ৯০ দি চখাও মরি পানবা শা-ষণগীনি। মসিদা লোকেল ষণনা চাদা ৪০, মপান লমগী ষণনা চাদা ৪৮, ইরোইনা চাদা ৪০ অমদি হামেং, য়াওগীনা চাদা ১০ নি। ইনর্জি য়াওবা মচীঞ্জাক য়াম্না হেন্না চারগদি মীথেনগী চাং ৱাংনা পুথোরকই।

অঈং অশা খল কায়রকপদা শা-ষণগী পোত্থোক পুথোরকপদা মখল মরি থোক্লা অকায়বা পীরি। মখোয় অদুদি

(১) মচীঞ্জাক মরাং কায়না ফংলত্তবা অমদি মমল ৱাংনা ফংলকপা।

(২) অফবা শজীক মরাং কায়না ফংলত্তবা।

(৩) শা-ষণগী শাহৌ হন্থরকপা অমদি চারোন নাওরোনবা ঙল্লত্তবা।

শা-ষণননা অশাবা মায়োক্নরবনিনা মসিদগী অশাবা চাথোকপা ঙমহন্দে দ। মসিনা হীট ষ্ট্রেস লাকহল্লি। শা-ষণদা হীট ষ্ট্রেস মায়োক্নরবনিনা চানিং থক্লিংবগী চাং হন্থহল্লি। শা-ষণনা অহৈং অশাগী চাংসি ১৫° সেলসিয়সতগী হন্থখিবা অমদি ২৫° সেলসিয়সতগী হেনগৎখিবদা চানিং থক্লিংবগী চাং হন্থহল্লি। শাবগী চাংসি হেনগৎলক্লগদি শ্বর হোনবগী চাংসু হেনগৎলকই। মসিদা কার্বোন দাইওক্সাইদ, ঈশিংগী চাং হন্থহল্লি অমদি এসিদ বেজ ইমবেলেন্স ওইহল্লি।

শঙ্গোম থোকপী ষণদা হীট ষ্ট্রেস লাক্লগদি নুংশা মরুমদা লৈননবা হোৎনরকই। শ্বর হোন্দোক হোনজিনগী চাং ৱাংখৎলকই। হকচাং শাবগী চাংসু ১০২° ফরেনহিটতগী ১২০.৫° ফরেনহিট ফাওবা য়ৌরকই। শ্বর হোনবগী চাংসু মিনিট অমদা ৭০-৮০ ফাওবা য়ৌরকই। হীট ষ্ট্রেস লৈবনা ষণবীদা চারোন নাওরোন্নবগী মতম শাংদোকহল্লি। মচা লৌবগী হীট লাকপগী মতম শাংদোকই। নীংথিনা হীট লাকপগী মওং উবা ফংদে, মচা ওইবগী চাং হন্থহল্লি। মচা ওইরগসু ঙন্না মচা কায়বগী চাং ৱাংনা লৈহনল্লি। গর্ভ মনুংদা লৈরিবা মচাসু চাওদম থিন্থহল্লি। হীট ষ্ট্রেস মায়োক্নবনা শঙ্গোম থোকপগী চাংসু হন্থহল্লি অমদি চাবগী চাংসু হন্থহল্লি। মসিনা মচী ওইবা ন্যুত্রেন্ট ময়াম অমা হকচাংনা চুপশিনবা ঙমহন্দে অমদি লায়না কয়া অমা মায়োক্নহল্লি।

য়েন ব্রোইলরনা লৈবদা নুংঙাইরিবা চাংসি ২২° সেলসিয়সতগী ৩০° সেলসিয়সন। করিগুম্বা শাবা হেনগৎলক্লগদি হীট ষ্ট্রেস লাত্তুনা চানিং থক্লিংবা হন্থহল্লি। ঈশিং থকপগী চাং ৱাংখৎহল্লি। ন্যুত্রেন্ট চাং হন্থহল্লি, চাওবগী চাং হন্থহল্লি। মরুম কোকপী য়েনদদি মরুম কোকপগী চাং হন্থহল্লি। মচীঞ্জাক চাবগী চাং হন্থহল্লি। য়েরুমগী সাইজ হন্থহল্লি। মকু পানা য়েরুম কোক্লকই। মরুমশিং মচা ওনবা ঙমদে।

হীট ষ্ট্রেসতা লৈরিবা শা-ষণ খুদিংমক সোদিয়ম অমদি পোটাসিয়মগী চাং য়াম্না হন্থনা লৈ। মরম অসিনা য়াম্না শাবা মতমদদি মচীঞ্জাক্তা সোদিয়ম ০.১৮-০.৫৬%, পোটাসিয়ম ০.৮৭-১.৫% গী চাং হাপ্পীগনি। মসিনা শঙ্গোম থোকপী ষণদা শঙ্গোম থোকপগী চাং চাদা ০.২-০.৩% হীট ষ্ট্রেস লাকপা মনুংদা হেনগৎপা ঙমহল্লি। অমরোমদনা শঙ্গোম শুমদ্রিবা ষণদা হেন্না সোদিয়ম অমদি পোটাসিয়ম পীজরগদি মশা পোমখৎলকপগী চাং ৱাংনা লৈ। মরম অসিনা নুংশা শারক্ত্রিঙৈ মমাঙদা মীনরেলশিং মচীঞ্জাক্তা হাপ্লগা পীজবীগনি। অশংবা শজিক পীজবনা ভীটামিন এ অমদি ঈ ফংবা ঙমহল্লি। নুংশা মঙালদগী ভীটামিন ডি মতোমতা শুংজবা ঙমহল্লি।

নুংশা শারকপা মতমদা ঈশিং মরাং কায়না পীথকপীগনি। ঈশিং থকপগী চাংসি চাদা ২০-৫০ ফাওবা হেনগৎনা পীথকপা য়াই।

শা-ষণশিং মকোন্দা থম্বা মতমদা য়াম্না নকশিন্না থম্বীরোইদবনি। মসিনা নুংশা শাবা মতমদদি হীট ষ্ট্রেস লাকপগী চাং ৱাংহল্লি। মকোনগী অকোয়বদা উ-ৱা থাবীদুনা ঈংনা থম্বীগনি। মকোন মথক্তা কুপলিবদু জীজ্ঞ ওইরগদি মনাক্তা মরী চৎপা পাম্বী থাবীদুনা মকোন মথক্তা মরী চৎহন্দুনা মকোন মথক্তা নুংশা মঙাল ফুবগী চাং হন্থহনগনি। হীট ষ্ট্রেসতগী হন্থহনবা শা-ষণদা পীজরিবা মচীঞ্জাকসি মফোন্দগী শজিক্লা নম্না পীজবীগনি।

অঈং অশাগী খল কায়রকপনা শা-ষণদা অচৌবা চৈথেং অমা ওইহল্লি। মসিনা মখোয়না পুথোরকপা পোত্থোকশিংদা চাং য়াম্না হন্থরকপনা ইকোনোমিদসু চাং হন্থহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মতম চানা শেন্নবীদুনা হেন্না পোত্থোক পুথোরক্নবা হোৎনবীগনি।

# ঈমশেং-কৈশেং (য়ূমাং-য়ূমশেং)

মঙাংচা কৈসাম ইবোমচা

**কংলৈপাক** (মণিপুর) দা য়েলহৌঙৈদগী হৌরগা অঙাং অমা পোকপদা নৎত্রগা অহল অমা শিরগা শাগৈগী ফু (চফু) কায়নবা কাঙলুপ য়ূম্মাং পাউ পীনবা চৎনরমই। মী শিরগা ফু (চফু) কায়বা হায়বসি মমাঙঙৈদদি য়ূম অমগী চাক থোংনবা লৈপাক্লা শাবা চফু, উয়ান অদু পুথোক্তুনা ৱাপল মখোংদা নৎত্রগা খোংবান মপান্দা নৎত্রগা তুরেল মপান্দা থুগাইরমই। অনৌবা চফু, উয়ান অমমুক নৌনা শীন্নে। অঙাং পোকপগী য়ূম মাংবদদি চফু, উয়ান অদু থুগাইনদে। মহুৎ অনৌবদি শীন্নরমই। পামহৈবা নিংথৌগী মতমদগী রামান্দি (রাম নীংবা) অমসুং ভৈগ্যচন্দ্র নিংথৌগী মতমদা হীন্দু লাইনীং (কৃষ্ণ নীংবা) লৌদ্রিঙৈগী মমাঙদদি য়ূম অমসুং য়ূমশেংবগী নুমিৎ মশীং মান্নরমই। মীয়ানগী লাইনীং চঙলক্লবা মতুংদদি হীন্দু লাইনীংদা মতম শাংনা লুপ্তুনা লৈরুবনা মীতৈ হীন্দুগা, মীতৈ ইনাৎ চৎপা কাঙলুপকা অনী থোক্লে, অমুকসু মীতৈ ইনাৎ চৎপা মনুংদসু অনী, অহুম থোক্লে। খরনা নুমিৎ ৬ নিদা য়ূম শেংই, খরনা নুমিৎ তরেৎনিদা, খরনা নুমিৎ তরানিদা য়ূম শেংই। য়ূম মাংবগী অহৌবা নুমিৎতি চপ মান্নে। য়ূম শেংবগী নুমিৎতি খেন্নে। করি মরমগী খেন্নরিবনো হায়না হংবদা পীজনিংবা পাউখুমদি - মীতৈগী অশেংবা পুয়া মৈ থাদোকখিবা, পুয়া মৈ থাখ্রবা মতুংদা ইরম্বদা অখঙবা মায়চৌ য়াওদবা, ময়াং গুরুশিংগী খূৎনা শেমদোক শেমজিন তৌখিবনা লাইরিক অমদা অমা হায়, লাইরিক অমদনা অতোপ্পা অমা হায়না ইরম্বদগীনি। ঐখোয়নসু ঐনা ঐনা ফংবা লাইরিক অদু খক্তদা চেৎনা থাজে, মীনা পায়বা লাইরিক অদুদি য়ানিংদে। মরম অসিনা য়ূম মাংবা অমসুং শেংবা করিনো, ঐখোয়না লৈনরিবা য়ূম অসিবুরা? করম্বা য়ুম্বুনো হায়না নৈনফম থিফম থোকই। য়ূম শেংবা নুমিৎতা লৈনরিবা য়ূম অসিবু য়ূমথক্তা ঈশিং হৈজিন্দুনা/ঈশিং চাইখৎতুনা য়ূম শেংনদে। য়ূম শেংবা নুমিৎতা ইমুং-মনুং, মাঙ্গোল শিংতোক্তুনা ৱাই তৈথোক্তুনা চাকখুমগী কোল-লীক ফেংদোক চামথোক্লে। লোয়ননা তাইরেল পুংফাইনা নাহৈরোলগা লোয়ননা খিকতোক চাইথোকই।

ঈম/য়ূম হায়রিবসি ঐখোয়না লৈনরিবা য়ূম অসিনা পানগী য়ূমনি। নুংগী ওইবা ঈম/য়ূম হায়রিবসি ঐখোয়না মপান্দা উরিবা শেল চঙনা শাবা য়ূম অসি নত্তে। থৱায় পানবা খুদিংমক্তা তাইবঙ চাদা নাওদা শন্দোক্নবগীদমক্তা ইপাদগী (নুপাদগী) থাবুম অনী নৌ পুরম্লগা হী-য়াই ওইরবা মাঙবা য়াদ্রবা মহীগীদি মহীলেননা ইমা ওইবী (নুপী) গী নৌবী ফমদা তারগা (লৈরগা) থাবুম তরা লৈরম্লগা তাইবঙপান্দা ফাওরক্তুনা তাইবঙ কুম্মে য়াওররি। মতাং অসিৱাইদা পঞ্জনিংবদি ঈমশেংবগী ৱাহন্থোক অমনা ঈনা মপূং ওইদুনা শাবা তাইবঙ হকচাংবু মপু মাগী কাইদোংফম ওইবা সঙ্গাই লাইশঙবু ঈম নৎত্রগা য়ূম হায়নসু খঙনৈ। অসিগুম্বা তাইবঙ হকচাংবু শেংদোকপা (ঈরু শাদেংবসু) ঈমশেংবা হায়না খঙনৈ। অদুগা কৈশেংবা হায়বদি চন্দবা লৈত্রবা, ৱাখল লৌশিংগী থম্ফম কৈ (পুক্কে) হায়না খঙনৈ। হন্দক ঈম/য়ূম করিনো হায়না হংলিবা, থিরিবা অসি অতৈ করিসু নত্তে। থৱায় পানবা খুদিংনা থৱায় পানবা অমা ওইফম ওইরিবা নুপা ওইবশিংদগী মহীলেল ঈলিক অদু লৈমরেনগী শাইওন ওইরিবী নুপীশিংগী নৌ-পীফম অসিনি। মনুং মতম চাদনা লাইনিংথৌগী শাইওন ওইরিবা নুপা ওইবশিংদগী মহীলেন ঈলিক অদু লৈমরেনগী শাইওন ওইরিবী নুপী খুদিংমক্তা নৌ-পীফমনা থোং হাংদুনা লৈতে। লৈমরেলগী শাইওন ওইরিবী চনুরাশিংনা চহী ১২/১৩ শুরকপা মতমদা নৌ-পীফম নুমিৎ মঙা লৈশাৎ তমই। মালেমদা লৈরিবা ফুরুপ খুদিংগী চনুরা খুদিংমক থা খুদিংগী নুমিৎ মঙানি লৈশাৎ তমই। লৈশাৎ তম্বা মতম নুমিৎ মঙানি য়ূম মাংই। মসিবু চাকখুম থোকপা হায়নসু খঙনৈ। মসিগী মতম অসিদা চাকখুম চঙবা অমসুং লাইগী থবক থৌরম তৌবা য়াদে অমসুং অতোপ্পা মীওইগা শোক্লা পন্নবা য়াদে। মসিবুনি 'য়ূম মাংবা' হায়না খঙনরিবসি। তরুকনিশুবা নুমিৎতা চীংহি য়াওনা ইরু লুদুনা কোকলুবা অসিবু থাগী ঈমশেংবা হায়না কৌই/খঙনৈ। মঙানি শুবা নুমিৎতা কোক লুরবা মতুংদা উপু পায়বা, শোক্লা-শম্নবা য়ারে অদুগা মপূং ফানা শেংদ্রিবা মরম্না চাকখুম চঙদুনা চাক ঈশিং থোংবদি য়াদ্রি। নুমিৎ তরুকনি শুবা নুমিৎতা অমুক হন্না চীংহি ঈপাল লাংদুনা কোক লুরবা মতুংদা চাকখুম চঙদুনা থোং থাকপা য়ারে। মসিগী নুংগী ওইবা ঈচৈলদি মঙানিদা তঙ্খাই শেংলে অদুগা তরুকনি শুবা নুমিৎতা পুমশেং শেংলে তাকপনি। মসিবু মঙানি কোকলুবা, তরুকনি ফীশেংবা/ঈমশেংবা হায়না খঙনৈ। ইমা লৈমরেল শিদবীসু ইপুথৌ পাখংবা নৌ পুদ্রিঙৈদা থাগী ঈম মাংবা শেংবগী মতাং ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াগী লামায় ১৫ দা য়াওরি 'তরুকনি শুবা নুমিৎতা ঈথৌ ঈপাল লাংহল্লে ঈমকৈ শেংদোকলে' থা থাগী ঈম (য়ূম) মাংবা অসি মালেমদা লৈরিবা ইমা লৈমরেনগী শাইওন ওইরিবী নুপী ওইবীশিংদা মমা অমা ওইরকপা য়ারকপা অমসুং য়ারিঙৈগী মতমদতা ওইগনি। ৱাফম অসি হকশেল কাঙলোননা য়ারবা ৱাফমনি। মালেমদা লৈরিবা লম কয়াগী ফুরুপ খুদিংমক্তা অঙাং পোকপা য়ারবা অমদি য়ারিবী নুপী খুদিংমক্তা থা খুদিংগী নুমিৎ মঙানি য়ূম মাংবা অসি লৈ। তৌবতবু মখোয় মখোয়গী নাৎ/চৎনবী/লাইনীং অমাঙ অশেং অসি লৈতবগী ৱাফমসি খঙউদবনি। মীতৈ ৱাংউবশিংনা ৱাফমসি ইনাৎকী চৎনবীদা অমাং-অশেং ওইনা থম্বীরল্লিবনি। লাইনীং লীচৎকী কাঙলোন অমা ওইনা হকশেল কাঙলোনগা শাগোন্ননা থম্বীরল্লিবসি মীতৈ ইপা ইপুশিংগী ৱাংলবা ৱাখল্লোনবু মালেমগী মীওইনা লুম্না লৌফম থোকই। মীতৈ ইনাৎনা ইরুজরগা লাইগী মৈরা থানবা (কৎপা), ইরুজরগা চাক থোংবা, ইরুজরগা চাক চাবা, হকশেল কাঙলোনগী মনুং চল্লি। মতৌ অসুম তৌদুনা নুপী ওইবী অমনা থাবুম তরা নৌ পুরম্লগা নৌৱা অঙাং অমা পোকপদসু নুমিৎ মঙানি য়ূম মাংলম্লগা তরুকনিশুবা নুমিৎতা নৌৱা অঙাং অদুগীদমক মমা অমসুং মচা ঈরু ঈমশেংলগা ঈম (য়ূম) শেংদোক্লগা ঈপাল থাবা অসি অদুঙৈ ইমা লৈমরেল শিদবীনা ইপুথৌ পাখংবা পোকপদগী হৌনা চৎনরক্লে হায়বসি ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াগী লামাই ১৭ তা য়াওরি। 'অসুম তৌনা লৈলকপনা মপুকী কোনচিলতকী তুকথখিবা তিললাং অতুপু থাপুঙ তালা ফালাতুনা তাইপঙপালতা ফাউরকলে ॥০॥ অসুম তৌনা ফাউলকপা নুমিৎ ৬ নি সুপাতা অনম অথৌ কোকতুনা, ঈম-কৈপু সেংতুনা লাঈচা ঈপাল থাতুনা লাইনিংথৌ লাইলেমমা ২ মাপু সিতাপানা লৈপাক মাঈপা খুলাঈ তাঙপা নিঙথৌ মাঈপা চিলাঈ হনপা সাতুনা মাঈচৌ মাঈনৌ আেইলতুনা অমাইপা অমাইপী সাতুনা তিল্লাং অদুসু নাহে লাঈলোন্দা হাঈতুনা অনম অথৌ কোকথোকলে''। ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি মীসেমলোন হৌরকঙৈদগী তরুকনিদা য়ূম শেংবা চৎনরক্লে। মরম অসিনা ঙসি ফাওবা তরুকনি ঈপাল থাবা হায়না খঙনরি। হৌজিক হৌজিকসু ইরমদম অসিদা মীতৈ হীন্দু লাইনীং চৎপসু মীতৈ ঈনাৎ চৎপশিংসু নুমিৎ ৬ নি শুবা নুমিৎতা ঈপাল থাবা/ষষ্টি পুজা পাঙথোক্লি। ঈপালগী থৌরম অসিদা লৈকায়গী শাগৈগী অহল-লমন মরুপ-মপাং কয়া অচা-অথক, পীজ-পীথক তৌরি। ইমুংদা ঈনাৎকী ওইনা লাই মঙা কৌদুনা ঈসাইফু লিংদুনা পিতাই খোমতাইবী ঈরাৎ ঈসোন তৌদুনা থৌনিরি; মীতৈহীন্দু ওইনা গোট চফু লিংদুনা পঞ্চা দেবতা কৌদুনা পুজা তৌদুনা পাঙথোক্লি। লাইগী থৌরম তৌদুনা অহল-লমন, মরুপ-মপাং কয়া চাবা থকপা লোইখ্রবা মতুং হায়বদি মীতৈ ঈনাৎ চৎপনা নুমিৎ তরানিদা মীতৈহীন্দুশিংনা নুমিৎ তরানিথোইদা য়ূম শেংলী। মসিদি মশানা মশাবু মীনমজবনি। লাইদা মীনম্বা লীচৎ চৎপনি হায়জনীংই। য়ূম শেংদ্রিঙৈদা লাইগী থৌরম করিগী/করম্না পাঙথোক্লিবা? লাইগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লোইখ্রবা মতুংদা করি মরমগীদমক য়ূম শেংগদৌরিবনো? লাইগী থৌরম হান্না তৌরগা কোন্না ঈম (য়ূম) শেংবা অসি হীন্দু বামোনশিংনা মীতৈ ঐখোয়দা মীনম্বা উৎ চায়বা নত্তবরা? হৌজিকপু ঐখোয়সি মীতৈ হীন্দুশিংগী মতৌ অসুম তমথখিবা তারিবরা? তৌরিবা থৌওং অসিদি মীতৈ ঈনাৎ চৎপশিংসু হীন্দুগী চৎনরোল থাদোকপা ইঙম ঙমদবসিদি 'হুইবু দোলাই তোংহল্লগা থিগং উরগা চোংথৈ' হায়বা অদুগুম্বনি হায়জনীংই। মীন তৌ তৌ হায়রগা তৌগদবা/চৎকদবা মতম অদু নৎত্রে। ইশা ইশানা ওই-য়েৎ খঙনা ৱাখল খল্লগা চৎকদবা/তৌগদবা মতম ওইরে হায়জনীংই। ঈম-কৈ শেংদোক্লগা তনান তনানবা মফমদা অরুবা ফীশেং শেৎলগা ঈরাৎ ঈশোল তৌবসি মীতৈ খুন্নাইগী চৎনবীনি। তরুকনি শুবা নুমিৎতা ঈরু ঈশেংলগা ঈমকৈ শেংদোকলগা ঈপালগী থৌরম পাঙথোকপা মীতৈ খুন্নাইগী অশেংবা ঈনাৎ ওইগনি।

হীন্দু ঈনাৎ লৌরুঙৈদগী মীতৈনা মীতৈ ঈনাৎ হনজিল্লবসু ঈমশেং-কৈশেংগী ৱাফম অসি মমুৎ তানা খঙনদ্রে। মদুদি ইমুং অমদা অঙাং উনবগী ঈপাল থৌরম পাঙথোক্ত্রিঙৈদা শাগৈ অদুগী অতোপ্পা অঙাং পোক্লত্তুনা য়ূম মাংলে হায়দুনা নৎত্রগা শাগৈগী অহল অমা লৈত্রবদি য়ূম মাংলে হায়দুনা মশাগী ঈপাল নুমিৎ তাবা নুমিৎতা ঈপাল পাঙথোক্তবা য়াওই। ঈপাল পাঙথোক্তবদা অঙাংগী মমা মপানা নুঙাইবা ফাওই। অমরোমদা তৌহৈদবা অমনি। শাগৈ অমগী মনুংদা নৎত্রগা ইমুং অমগী মচিন-মনাও য়াম্না লৈবদা মচে অহলগী মচাগী ঈপাল নুমিৎ শুদ্রিঙৈদা মনাওনুপী অমসু অঙাং উনদুনা য়ূম মাংলে। অহানবগী অঙাং অদুগী ঈপাল থৌরম য়ৈথোক্কদরা য়ৈথোক্লোইদরা হায়বা ৱাহং লাকই। ৱাফম অসি মুন্না ৱাখল তানা খন্থরবদি ঈরাই লায়না লৈগনি। ইমুং অমদা নৎত্রগা শাগৈ অমখক্তগী মনুংদা অমগী ঈপাল পাঙথোক্ত্রিঙৈদা অঙাং অমা উনরবদি (পোক্লবদি) ঈপালগী নুমিৎ য়ৈথোকফদে। ঈপালগী নুমিৎ পোকপা নুমিৎ য়াওনা নুমিৎ তরুকনি শুবদা পাঙথোক্তবা য়াদবা নুমিৎ মশিং ৱাৎপা হেনবা য়াদবা তরুকনি শুবা নুমিৎতা অঙাং অমসুং মমানা নুমিৎ থা মশক উদুনা খুরুমগদবা ওইবনা মাগী মাগী তরু তরুবা নুমিৎতা পাঙথোক্তবা য়াদবা থৌরম ওইবনা অযূক্তা মমা মচা ঈরু ঈশেংলগা ঈমশেংদোক্লগা ঈপালগী থৌরম পাঙথোকফম থোকই। মসিগী য়ূম্ফম অমদি মরমদি ইমুং অমদা লৈশাবী নৎত্রগা মৌ অহুম মরি লৈবদা থা থাগী মাগী মাগী য়ূমশেংবা ফীশেংবা নুমিৎতা মাগী মাগী তরু তরুবা নুমিৎতা পাঙথোকই, ঙাইনবা তৌদে। মরম অসিনা ঈপালগী থৌরম মাগী মাগী তারুবা নুমিৎ হায়বদি ৬ নি শুবা নুমিৎ মমা অমসুং মচা শেংদোক্লগা ঈপাল থৌরম পাঙথোক্কনি। অতৈ থৌরমগী অমসুং অতৈ মীওইশিংগীদি ইকোন কোনবা য়ুমশেংবা ঙাইগনি/লৌগনি। শাগৈ শাগৈগী ওইনা য়ূম অমা মাংলিঙৈদা অমমুক মাংশিল্লবদি মশীং অহুম শুরবদি নৎত্রগা হেল্লবদি মতুং অমুক শেংবা ঙাইদবগী চৎনবী মীতৈ খুন্নাইদা লৈ। য়ূম মাংদুনা থৌরম য়ৈথোক্লিবা ইমুংগীদি ঙাইরিবা য়ূমশেংবগী নুমিৎতা পাঙথোক্লে অদুগা অকোনবগী য়ূম মাংলুরিবা ইমুংগী থৌরমদি য়ূমশেংবগী নোংঙানবদা পাঙথোকপা য়াই।

মীতৈনা শিরবা মতুংদা শিখিবা মীবু মথংগী মপোক্তা নুংঙাই য়াইফরুনবগীদমক লান্না থৌরম পাঙথোকই। মীতৈ ইনাৎ চৎপা খরনা নুমিৎ তরুকনিদা য়ূমশেংলগা নুমিৎ তরেৎনিদা, খরনা নুমিৎ তরেৎনিসিদা য়ুমশেংলগা নুমিৎ ৮ দা, খরনা নুমিৎ তরানিদা য়ূম শেংলগা তরামাথোইদা পাঙথোকই। মীতৈ হীন্দুগী লৈশাবী/পাখঙ/নহা অমা মনুং মতম চাদনা শিরবদি হায়বদি, ঈশিংদা তাদুনা থৌরি য়ান্দুনা, হু চাদুনা শিরবদি লাইমিং লৌদ্রি হায়দুনা হায়বদি হীন্দু ওইদ্রি হায়দুনা মীতৈগী অরিবা ঈনাৎকী লান্ন-থৌরমদা তৌজৌ পাঙথোকচৌ হায়দুনা নুমিৎ তরেৎনিদা লান্ন-থৌরম তৌহল্লমই। মসিনা তাক্লিবদি মীতৈনা হীন্দুজম লৌদ্রিঙৈদা লান্ন-থৌরম অসি নুমিৎ তরেৎনি শুবদা থৌরম পাঙথোক্নরমই হায়বসি ময়েক শেংলে। হৌজিক্তি ঈশিং তারবসু, থৌরি য়াল্লবসু, হু থক্লবসু, নাদুনা শিরবসু লোইনমক লম্বোইরে। অহল অঙাং লৈত্রে। ঐখোয় মীতৈনা লান্ন-থৌরম তৌরিবসি শিখিবা মীদুনা মথংগী হয়েংমুক্কী মপোক্তা নুংঙাই য়াইফনবগীদমক পাঙথোকপনি। হয়েংমুক্কী মপোক হায়বসিনা মহাক্লা অমুক হন্না পোকপা তারবদি ইমা ওইবীগী নৌবীফমদা চঙলগা পোক্লক্কদৌরিবনি। হন্দক য়ূম হায়রিবসি মীওইবগী কাইদোংফম (লৈফম) ওইরিবা য়ূম অসি নত্তে। ইমাগী পুক্লুংদা লৈরিবা নৌবীফম অসিনি। মীতৈ ইনাৎকী ওইবা মীওই অমা শিরগা নুমিৎ মঙানি শুবা নুমিৎতা লৈহুন (লৈহন) হায়বা থৌরম অমা পাঙথোক্লে। লৈহুন হায়বদি নুপীশিংগী থাগী খোংকাপ য়ূমমাংবদা নুমিৎ মঙানিদা লৈ শাৎপা খমখিবা ঈগী খোংকাপ লেপখিবা (হনখিবা) অদুনা য়ূম্ফম ওইবনি। থৌরম অসিদা লাইগী ফম্বান য়াওফদে (য়াওনদে), ঈসাইফু ইরাৎতে মরমদি য়ূম শেংদ্রি। অদুবু লৈখিদবগী মমি শক্তমদা লৈ কৎপা য়াই। মরমদি নুমিৎ মঙানি শুরবনা তঙ্খাই শেংলে। থা থাগী য়ূম মাংবসু পোকপগী য়ূম মাংবসু, শিবগী য়ূম মাংবসু নুপী ওইবীশিংগী নৌবিফমদা য়ূম্ফম ওইবনা নুমিৎ তরুকনি শুবা নুমিৎতা ঈম (য়ূম) শেংফম থোকই হায়না লৌজে। তরুকনিদা ঈমশেংলগা নুমিৎ তরেৎনিদা লান্ন-থৌরম পাঙথোকপা মশানা তারে।

মখা তানা খন্নবা নৈনবা য়াবা ৱাফম অমনা মীতৈ হীন্দুশিংনা হীন্দু ওইরবা মতুংদগী চূড়াচান্দ মহারাজ হাক্তক ফাওবদা অঙাং অমা পোকপগী অমসুং অহল অমা শিবগী য়ূমশেংবা নুমিৎ ১২ নিদা পাঙথোক্লমই। অঙাং পোকপগী ষষ্ঠি পুজা (ঈপাল থাবগীনা) নুমিৎ ৬ নিদা পাঙথোক্লরমই। অদুগা মী শিবগী য়ূম শেংবগী নুমিৎ ১২ নিদা পাঙথোক্লরমই। অদুগা শ্রাধ (লান্ন-থৌরম) না নুমিৎ ১৩ নি শুবা নুমিৎতা পাঙথোক্লরমই। মীতৈ হিন্দুশিংনা পোকপা অমসুং শিবগী য়ূমশেংবসি (লম্বোইবা নৎত্রগা লম্বোইদবা) অনীমক নুমিৎ ১২ নিদা য়ূম শেংলগা নুমিৎ ১৩ নি শুবদা শ্রাধ পাঙথোক্লমই। চৈথারোল কুম্বাবা অহানবা খূৎনম লামায় ৬১৬-৬১৭ দা য়াওরি। 'শক ১৮৫৬ ইঙা ২৬ নি পানবা থাংজদা বীরচন্দ্র মেমভোর সিএ (শিরে), ঈঙেলগী ৯ নি পানবা থাংজদা স্নাখ্বা অহলনা বিরচন্দ্র স্নাগী ঈসৈ শকউই হাইদুনা শ্রী গোবিন্দগী লুক থিনবা তোকই। ক্ষেত্রিময়ূম খোমদোন দুহোনবু বীরচন্দ্র স্নাগীদা চংলুই হায়দুনা উরিক লুকুন থৎলে। ঈঙেলগী ২০ নি পানবা লৈপাকপোকপদা ময়াম্বুং অহলগী লুক থিল্লে। অদু নুমিৎতা ক্ষেত্রিময়ূম খোমদোনসু শ্রীযুৎ মহারাজনা লিক লুগুন সিএ।' ৱাফম অসিদা য়াওদবা মরোল শুগাইনা ইদ্রবা মনুংগী ওইবা ৱারোল খরা লৈরি। বীরচন্দ্র সনাগী শ্রাধগী মমাঙদা হৌজিক মীতৈ হীন্দুগী শ্রাধদা লম্বোইদবগী নুমিৎ ১৩ নিদা লম্বোইবগীনা নুমিৎ ১৪ নিদা হায়না অনী থোক্লিবসি লৈরমদে। লম্বোইবসু লম্বোইদবসু নুমিৎ ১৩ নিদা মীতৈ হীন্দুশিংগী ওইনা তৌরমই। বীরচন্দ্র সনা লৈতবা নুমিৎ অসিদা মীচম মীয়াম অমসু লৈরমদে। মহাক্কী চেপাউ হান্না সনখ্বা অহলগীদা লাকই লোয়ননা ঈশৈ শক্কে হায়না য়াথোকখি। তুংদা বীরচন্দ্রগী ঈশৈ শক্লবগী চেপাউ লাক্লমই। কোন্না লাক্লবসু মেমভরগী শ্রাধ ওইবনা সনখ্বা অহলনা ঈশৈ শক্লিংলমই, নুমিৎনা নোংমতদা তারি। সনখ্বা অহলনা অনীমক শকপা য়ানবা হায়দুনা সনা কোনুংগী অয়াবা য়াওদনা য়াথং পীরে মদুদি শ্রাধ অসি লম্বোইদবগীনা নুমিৎ ১৩ নিদা পাঙথোকও, লম্বোইবগীনা নুমিৎ ১৪ নিদা পাঙথোকও হায়না শিল্লগা শ্রাধ পাঙথোকখ্রে। থৌদোক অসি সনা কোনুংদা পাউ য়ৌরকপদগী নিংথৌনা ময়াম্বগীদা গোবিন্দগী লুক হেক হেক থিলম্বা অদু মথক্তা পনখিবা নুমিৎ অসিদগী থিলহন্দ্রে। শ্রাধ য়াওরুবা দোহোন খোমদোনবুসু উরিক লুকুন থৎতুনা ব্রহ্ম সভানা চৈরাক পীখ্রে। মতুংদা নিংথৌনা ব্রহ্ম সভাদা খননরগা চৎনবী অমা ওইনা লম্বোইদবগীনা নুমিৎ ১৩, লম্বোইবগীনা নুমিৎ ১৪ নিদা পাঙথোকপা হায়না চৎনখিবদগী মথক্তা পনখিবা নুমিৎ অসিদগী নিংথৌনা ময়াম্বা অমুক লৌখৎতুনা গোবিন্দগী লুক থিনখি। অসুম্না ঙসি ফাওবা মীতৈ হীন্দুনা শিরগা লম্বোইদবগীনা নুমিৎ ১৩, লম্বোইবগীনা নুমিৎ ১৪ হায়না শ্রাধ পাঙথোক্লি।

হায়জনীংবা অমনা হীন্দু লাইনীং থাদোক্তুনা মীতৈ ঈনাৎ অরিবদা হনজিল্লগা হীন্দুগী অমসুং মীতোপ মীয়ানগীদা মান্ননা তৌরিবা অসি থাদোকপা ফৈ। অইবনা ঙাঙবা লাউবদগী ঈপালগী থৌরম পাঙথোকপদা য়ূম মাংনা মাংনা লাইগী থৌরম তৌবা লাল্লি হায়রুবদগী নুমিৎ তরুকনিদা ঈপাল থাদনা নুমিৎ তরানিদা য়ূম শেংলগা ঈপাল থৌরম তৌবা য়াওরে। ঈপালগী নুমিৎতি নুমিৎ ৬ নিদগী হেনবা ৱাৎপা য়াদবনা নুমিৎ তরুকনিদা য়ূম শেংলগা ঈপাল থৌরম পাঙথোকপীরবদি হেন্না য়াইফবা ওইগনি।

মথক্তা ৱাফম কয়া নৈনখ্রবা মতুং অসিদা লোইশিনজবা ওইনা পোকপা শিবগী ঈমশেংবগী য়ূম্ফম অসি ইমা লৈমরেন শিদবীগী শাইওন ওইরিবী নুপী ওইবীশিংদা থা থাগী ঈমশেংবদা য়ূম্ফম ওইখিবনা অঙাং পোকপগী ঈমশেংবা তরুকনিগী অযূক্তা ঈমশেংলগা ঈপালগী থৌরম পাঙথোক্কনি অমসুং শিবগী ঈমশেংবনা নুমিৎ তরুকনিদা য়ূমশেংলগা তরেৎনিশুবা নুমিৎতা লান্ন-থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না থমজগে।

অঙাং পোকপগী ঈমশেংবা লোইননা ঈপাল থাবগী নুমিৎ তরুকনি শুবদা পাংকনি/পাঙথোকই হায়বসি ইনিংথৌ খোংয়াম্বগী মতমদা আপোইননা মচা মাইচৌনা ৱারী লীরগা মাইচৌ অহুম মমাঙদা চকপালম মচা মাইচৌনা ইখিবা "ৱাকোকলোন হিলেন থিলেন সলাই অমাইলোন পুকোক পুয়াদা য়াওরিবদু য়েংবিয়ু অমসুং লৌশিনবিদুনা মাইচৌশিংগী ৱাফমবু অরেম্বদা তাহনগুমসি। লান্ন-থৌরম নুমিৎ ৭ নি শুবা নুমিৎতা পাঙথোকই হায়না অঙোম চাউবা (গোপী) না চীংউ খোংনাংথাবগী য়াথংনা ইখিবা 'ভৈগ্যচন্দ্র লারৈ লাথুপ' তা য়াওরিবা অদু থওইদবা ফৈ। ঐখোয়গী মাইচৌগী ৱা লৌসি মীয়ানচানা শেমজিন শাজিনবা লাইরিক্তা য়ূম্ফম ওইবা তোকপা মতম ওইরে।

## প্রিন্টিং মিষ্টেকনি

পাউচে অসিগী ঙরাংগী চেফোঙগী লামায়সিদা 'ঐনা ঙসি ফাওবদা ফিল্ম কুম্বা মতমদা শেল মস্তিক্নরগা কুমখিবা অমত্তা লৈতে' হায়বা হেদলাইনগী মখাদা ফোঙখিবা আর্টিকলদা নোবেল প্রাইজ ফংখ্রবা ফিল্ম... লোইশিল্লকপদা পংকিদা কিখিবনি হায়না ফোঙখিবদু প্রিন্টিং মিষ্টেকনি। প্রিন্টিং মিষ্টেক অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।

- এদিটর